## অহানবা মণিপুর টেনিস লিগ ২০১৪

# রাহুল, মুসা, চার্মি অমদি বিরেন এটেকরস ৱিন্নর ওইখ্রে




ভেটরান টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রবা বিরেন এটেকরসকী শান্নরোই এন এড্রিন অমদি এ বিরেন (ওই) , চহি ১০ মখা নুপামচা ৱিনর ওইখ্রবা রাহুল পামৈ

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ ঃ* রাহুল পামৈ অমদি এন চার্মিনা চহি ১০ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী টাইটলস লৌখ্রে। মুসা এম এম না চহি ১৪ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী অমদি বিরেন এটেকরসনা ভেটোরন টিমগী টাইটল লৌখ্রে। ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস একাদমিনা শিন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা একাদমি অসিগী টেনিস কোর্টতা চথরিবা অহানবা মণিপুর টেনিস লিগ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহি ১০ মখাগী ফাইনেলদা এন চার্মিনা এল বিন্দিয়ারানীবু ৪–০, ৪–১ দা, চহি কাংলুপ অসিগী নুপামচাগী ফাইনেলদনা রাহুল পামৈনা এ মহেসপু ৪–০, ৪–১দা মায়থিবা পীরগা টাইটল লৌখিবনি। চহি ১৪ মখা নুপামচাগী ফাইনেলদা এল বি এসেসকী মুসা এম এম না এটেকরসকী এন দেরেকপু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরগা টাইটল লৌখি। ভেটরান টিমগী ফাইনেলদা বিরেন এটেকরসনা ৱাররিয়রসপু গেম ৩–০দা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর ওইখ্রে। অহানবা মেটচতা শান্নখিবা দবলসকীদা এটেকরসকী টি পামৈ অমদি এন রঞ্জনগী জুরানা ৱাররিয়রসকী তুলে থোংবম অমদি এ রোমিওগী জুরাবু ৮–৬ তা, অনিশুবা দবলসতা এটেকরসকী এন রঞ্জন অমদি এন এলড্রিনগী জুরানা ৱাররিয়রসকী তুলে অমদি টিঐচ ইবুঙোমচাগী জুরাবু ৮–৬ তা অমসুং ৩ শুবা দবলসকী মেটচতসু এটেকরসকী টি পামৈ অমদি এ বিরেনগী জুরানা ৱাররিয়রসকী এ রোমিও অমদি কে ঐচ ইবুঙোমচাগী জুরাবু ৮–৩ দা মায়থিবা পীরগা গেম ৩–০ দা মায় পাকখিবনি।

অশুমসুবা পোজিসনগী শান্নখিবা মেটচতনা এল বি এসেসনা কে কে চেলেঞ্জরসপু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মেন্স টিমগী ফাইনেল মেটচ ঙসি শান্নবা হৌখিবগা লোয়ননা এল বি এসেসনা রাইনোগী মায়োক্তা গেম ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখ্রে। হয়েং মখা তাবা মেটচশিং শান্নগনি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা শান্নখিবা দলবসকী মেটচতা এসেসকী টি ব্রোজেন অমদি ঐচ বেক্করগী জুরানা রাইনোজগী টিঐচ রিবাস্কর অমদি কে ঐচ বোনাগী জুরাবু ৩–৬, ৬–৪, ১০–৪ দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা পোজিসন্না বিরেন এটেকরসনা কে কে চেলেঞ্জরসপু গেম ৩–০দা মায়থিবা পীরগা তাখ্রে।

## তম্পাকলৈ মেমোরিয়েল য়ু–১৬ হোকি

# কংলৈচা ক্লব, এলইসি অমদি ইচেল ক্লব মায় পাকখ্রে

*জিরিবাম, এপ্রিল ১১ ঃ* জিরিবাম হায়র সেকেণ্ডরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা চত্থরিবা অহানবা কোঞ্জেংবম ওংবী তম্পালৈ মেমোরিয়েল য়ু–১৬ বোইজ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কংলৈচা ক্লব গুলারথোল এল ই সি বাবুপরা অমদি ইচেল ক্লব দিবোং মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা কংলৈচা ক্লব গোলাথোলনা ই ৱাই সি চন্দ্রপুরবু গোল ৬–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। কংলৈচা ক্লবকী গোলশিং অদু এস জোজোবনা ৬,৬৪,৩৫ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা মরি, টি ঐচ থোইবা অমদি কে অমরজিৎনা ১১ অমসুং ৩৯ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। ই ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা দব্লিউ রোসননা ২১ অমদি ৪১ শুবা মিনিটতা অনি অমসুং অব্দুল মটলিফনা ২০ শুবা মিনিট অমা চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা এল ই সিনা কে ৱাই সি কালিনগরবু গোল ৬–৩ দা মায়থিবা পীখি। এন ই সিগী ৱাই জোনসননা ১৯, ২৫, ৩৪ অমদি ৩৫ শুবা মিনিটতা মরি, সিঐচ ভিক্টর অমদি রাজেননা ১৬ অমসুং ২২ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। কে ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা এল অজিৎনা ৯ শুবা মিনিটতা অমা অদুগা ৱাই শ্যামসন সিংহনা ৩৮ অমদি ৪৫ শুবা মিনিটতা ২ চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা ইচেল ক্লবনা মৈরা ক্লব চীংদোং লৈকাইবু গোল ৫–২ দা থোইখ্রে। ইচেল ক্লবকী গোলশিং অদু দব্লিউ সুরজিৎনা ২০, ৩১ অমদি ৪২ শুবা মিনিটতা অহুম অমদি এমদি সহাজমাননা ২৬ অমদি ৩৮শুবা মিনিটতা ২ চনখিবনি। মৈরা ক্লবকী গোলশিং অদুনা অজিজ খান অমদি এন মিলতন সিংহনা মথংশিংনা ৪৫ অমসুং ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা এন ই সিগা ঈচেল ক্লবকা অনিশুবা মেটচতা, মৈরা ক্লবকা কংলৈচা ক্লবকা অমদি অহুমশুবা মেটচতা কে ৱাই সিগা ই ৱাই সিগা শান্নগনি।



জিরিবামদা চথরিবা তম্পালৈ য়ু –১৬ বোইজ হোকি টুর্নামেন্টকী মেটচকী মতাং অমা


## আরচরিদা মণিপুরনা গোল্ড ২ অমদি সিলভর ১ ফংখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ* বিজয়াৱাদাদা থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা চত্থরিবা ৬ শুবা মিনি নেসনেল আরচরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ গী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল ২ অমদি সিলভর ১ লৌখ্রে।

মণিপুরগী গোলশিং অদু নুপীমচাগী মিটর ২০ রিকর্ভ ইভেন্টতা ৱাই রোসনিনা পোইন্ট ৩৩৯ ফংলগা অমদি নুপামচাগী মিটর ২০ গী রিকর্ভ ইভেন্টতা সিঐচ রিসিকেসনা পোইন্ট ৩৪৫ ফংলগা লৌখিবনি। সিলভর মেদল অদুসু ৱাই রোসনিনা রিকর্ভ ইভেন্টকী মিটর ৩০ গীদা পোইন্ট ৩৩৫ ফংলগা লৌখিবনি।

## ভোল্লিবোল ফাইনেল

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ* টিনস গ্রুপ হৈক্রুজমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী হৈক্রুজম মনিং লাই কোনুং গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ৪ শুবা এন গোপেন্দ্রো সিংহ মেমোরিয়েল ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা এজ ভি এম ওইনামগা দি ভি এ থৌবালগা শান্নগনি। কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম এল এ এল সরত সিংহ, য়ারৌ বমদিয়ার গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ এস নবকুমার সিংহ অমদি য়ারৌ বমদিয়াা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস পুন্নকেশ্বর সিংহনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওনর ওইগনি।











# EMPLOYMENT NEWS

## L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

N.B. : Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পান্নীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*